কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা পাৎশোই এ সীগী কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিংদা হাংদোকখিবা

অমুকোনা একটা পরিষদ মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মশাগী পাট্টা অমদি লম লৈজদ্রবা য়ুমথোঙ ২২০দা চান-থক্লবা পোৎলম, হিদাক লাংথক অমদি ফেস মাস্ক খুৎশিন্নখিবা

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা এমসু, এম এস এফ, দেসাম অমদি কে এস এগী দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিশিংনা নৌনা শেমখিবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সনা লৈশাবীথোলদা লৈরিবা ৱাটরফোলদা লাকপশিং থিংদুনা চঙহনখিদবা

এস কে ৱিমেন কোলেজদা লৈরিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা মতেং ওইননবা নম্বোল এ সীগী এম এল এ নামৈরাকপম লোকেননা এম্বুলেন্স অমা খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা শীজিন্নবা হৌখিবা

তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

ইন্দিয়াগী মফম খূদিংমক্তা শন্দোরক্লিবা, মীপুম খূদিংমক্লা মীপায়নরিবা মতম অসিদা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা হনবা লৈতনা কোভিদ-১৯দগী মীপুম খূদিংমকপু কন্দবা য়াদে হায়না লাঙ্গেংনরিবা জেনিমস হোস্পিটালগী নর্সিং এসোসিএসন (টি এন এ)গী প্রসিদেন্টতা লুপা লিশিং ২০ অমসুং হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ নাদুনা লৈরিবা সিষ্টর মেম্মাগী ইমুং-মনুংদা লুপা লিশিং ৫ সরস্বাতি ইনষ্টিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট পেরা মেদিকেল সাইন্সেস পাঙ্গেগী ফাউন্দর চ্যেরমেন প্লস ফিজমনা তেংবাঙখ্রে। মীপুম খূদিংমক্লসু অৱা-অনা তারবা মীওইশিং অমসুং পেন্দমিক অসিবু লাঙ্গেংনরিবশিংদা মতেং পাংবগী চৎনবী অসি থম্মিন্নসি হায়নসু সরস্বাতি ইনষ্টিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট এন্দ পেরা মেদিকেল সাইন্সেসকী ফাউন্দর চ্যেরমেন প্লস ফিজমনা ফোঙদোরক্লি।

এক্সিদেন্টতা ১ শিরে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লাঙ্গোলগী এন আই টি গেট মনাক্তা হুন্দাই কার অমা থা অসিগী হৌখিবা ২৬কী নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ রোম তাবদা লম্ফেলদগী লাঙ্গোল তাবা লম্বীগী এন আই টি গেট মনাক্তা হুন্দাই কার মশা মথন্তা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা রিমসতা এম বি বি এস ৯শুবা সেমিষ্টর তম্বা মহৈরোয় অমা শিরে। মীওই অনীনা শোক্লে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অদুগী মমিং হরসিমরন সিংহ (২৪), অপোকপা জাতিন্দর কৌই। মহাক ন্যু দেল্লী ইন্দ্রভিহারদগী লাক্লগা হৌজিক্লা রিমসকী বোয় হোষ্টেলদা লৈরগা এম বি বি এস ৯শুবা সেমিষ্টর তম্লিবা মহৈরোয়নি হায়রি। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙরাং রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা ঙসি মাগী পোক্লফম লমদমদা পুখ্রে। লম্ফেল পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

খুরাই এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা খাবৈশোই মনিং লৈকায়, খাবৈশোই উখুল রোদ, তোপ মোইরাংকম্পু অৱাং লৈকায়, অঙোম লৈকায়, কংলা শঙ্গোমশঙ, ফক্লুং কোভিদ টাস্ক ফোর্স, খুরাই সাজোর লৈকায়, টিন্সিদ রোদ, খুরাই চিঙাংবম লৈকায়, কোংপাল চিঙাংবম লৈকায়, খুরাই পুথিবা লৈকায়, খুরাই থোইদিংজম লৈকায়, তোপ খোংনাংখোং, কোংপাল লাইশ্রম লৈকায় অমদি শঙন্বুং কবুই খুলগী মফমশিংদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংদা লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা সোসল ৱর্কর খাগোকপম খম্বনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

এক্টর, দিরেক্টর, লিটরেচর, সোং দান্স আর্টিষ্ট অমসুং আর্ট এন্দ কলচরদা থিজিন খোমজিনবা ওইবদা নত্তনা মীয়ামগী ওইবা ইস্যু কয়াদা শরুক য়াদুনা মীওইবা খুন্নাইদা কথোকপবু শক খঙবীদুনা গুরু একাদেমীগী দিরেক্টর মুতুম উপেন্দ্রোদা ডা. রঘুনাথ বেনর্জি বেষ্ট সোসল ৱর্কর এৱার্দ পীরকপদা মণিপুর রিদর্স ফোরম ইম্ফাল, গুরু মুতুম মোধু আর্ট এন্দ কলচর একাদেমী, মুতুম জয় সিংহ মেমোরিএল ট্রষ্ট ইম্ফাল, ফিল্ম আর্ট সেন্টর ইম্ফাল, আর্ট এন্দ কলচর সেন্টর মণিপুর, সোসল রিসার্চ এন্দ দিভেলপমেন্ট সেন্টর মণিপুরনা শীন্দুনা কৈশাম্পাৎতা লৈবা ফোরমগী ওফিসতা আর্ট এন্দ কলচর সেন্টরগী এদভাইজর আর কে জয়কুমারনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা গুরু মুতুম উপেন্দ্রোদা শকখঙ চে পীবগা লোয়ননা সোল খুদোল তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ওজা গুরুশিংনা মুতুম উপেন্দ্রোগী মরমদা মরুওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি হায়না মণিপুর রিদর্স ফোরম ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরি ও মঙ্গোলজাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কর্ফিয়ু তৌরিবসিগী মথক্তা করিগুম্বা অহেনবা থবক থৌরাংশিং পায়খৎপা মতম ওইরে : পি শরতচন্দ্র

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):

মণিপুর লৈঙাক্লা হৌখিবা এপ্রিল ২৯দগী ঙসি ফাওবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনচিংবা কয়া তৌদুনা কোভিদ-১৯ থেংননবা কন্না হোৎনরি। অদুবু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাংদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মে ২৬তা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী মশীং অসি নোংমখক্তদা ৮৪৭ য়ৌরকপা অসিনা লৈঙাক্কী কর্ফিয়ু, লোকদাউন তৌরিবসিগী মথক্তা করিগুম্বা অহেনবা থবক থৌরাংশিং তৌবগী মতম ওইরে হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী সেক্রেটরি পি শরতচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

মীদিয়াদা থাদোরকখিবা ভিদিও অমদা পি শরতচন্দ্রনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ লাঙ্গেংননবা ভেক্সিন কাপ্পিবা অসি মীওইবগী ইম্যুন সিষ্টম ফঙাৎহন্দুনা কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীনবা হোৎনবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা কাপ্পিবা ভেক্সিন অসি মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ১০ রোমতমক ওইরি। অদুগা ইন্দিয়াগীনা চাদা ১৪ রোমতনি। অদুবু অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ওইনদি চাং য়াম্না ৱাংখ্রে। খুদম ওইনা হায়রবদা য়ু এস এগীনা চাদা ৮৬ অদুগা য়ু কেগীনা চাদা ৯১নি। হৌখিবা জন্যুৱারী ১৬তগী হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন কাপ্পগী মওংসি য়েংলগদি মণিপুরগী মীয়াম কাপ্পনবা হোৎনবদা চাউরাক্লা থা ৪০ রোম চঙখিগনি। মরম অসিনা কুমজা ২০২৪গী সেপ্টেম্বর ফাওবা ভেক্সিন কাপ্পগী ফীভমদা লৈ।

মহাক্লা হায়খি, ইন্দিয়াগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলকপগী চাং অসি চাদা ৯০ রোম য়ৌরে। অদুবু মণিপুরগীদি চাদা ৮৩ রোম লৈরি। মণিপুরগী মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা খুৎশম্নরগা রিকভরি রেট ৱাংখৎহন্ননবা অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে। ইম্যুন সিষ্টম ফগৎহন্ননবা হোৎনবদা অফবা চীঞ্জাক ফংহন্নবা হোৎনবসু মথৌ তারি। লৈঙাক্কী ফন্দ অয়াম্বনা মীয়ামগী চান-থক্লবা মরাং কায়হন্ননবা হোৎনবদা থাদবীবগা লোয়ননা মতেং পাংনিংবা লন্নাই মীওই কয়ানসু অঙন্বা মতেং পাংনদুনা মীয়াম্বু অফবা চীঞ্জাক ফংহন্দুনা ইম্যুন সিষ্টম ফগৎহল্লবা মতমদা কোভিদ-১৯ থেংনবা ঙমগনি। হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টম হায়বসি লৈবাক অমবু য়েক্লবনা লান তারকপদগী ঙাকথোক্লনবা লৈবা লান্মী তেঙ্গোলগুম্বনি। ইম্যুন সিষ্টম কনখৎননবা হকচাং শাজেল নীংথিনা তৌবা, অফবা চীঞ্জাক চাবা মথৌ তাবদা নত্তনা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাক্লা চৎপা য়াম্নমক মরুওই।

মণিপুরগী ৱাখল লৈরবা স্কোলারশিং অমদি ইন্টলেকচ্যুএল কয়ানসু মাগী মাগী ওইবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা থৌরাং কয়া য়াৎলগা কোভিদ-১৯ থেংনবদা মতেং পাংবীবগী মতম য়ৌরে খল্লি। লন্নাই মীওই কয়ানা অঙম্বা দোনেসন তৌবদা দোনর মমিং লাউথোকপসি পোলিটিকেল ওই হায়রিবা লৈঙাক্কী পান্দম অসিসু অকায়বা লৈতে। হীরমসিগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা দোনেসন তৌবসু দোনর মমিং লাউথোক্তবনা হেন্না ফগদ্রা খঞ্জে। মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিবু লাকশিনবা ঙম্ন বগীদমক পুং ২৪ চুপ্পা থৌদাং লৌবা ঙমগদবা এম এল এ অমবু হেল্থ মিনিষ্টরগী থৌদাং পুহনবা মতম ওইরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘নোংমগী শুরগা চরা তাঞ্জরিবা কয়া করম্বা ফীভমদা হিংলি হায়বসি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং থম্বীয়ু’

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা ওইহল্লক্লিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনা মরম ওইদুনা লায়রবা মীওইশিংদা মরুওইনা মশাগী লৌ-ইংখোল লৈজদবা, অশানবা য়ুমশিংদা লৈরিবা শিন্নীশিং নোংমগী থবক শুরগা চরা তাঞ্জরিবা কয়ানা করম্বা ফীভমদা হিংলি হায়বসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা য়াম্না হেন্না কুপ্পা মীৎয়েং থম্বীয়ু হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম এম থম্বৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিদগী য়ারিবমখৈ মীয়াম্বু কন্ননবগীদমক তঙাইফদনা লৈঙাক্কী ওর্দর মথং-মথং থোক্তুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবা অসিনা লায়রবা মীওই কয়াদা অচৌবা চৈথেং অমা ওইরিবা অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং অমা থম্বীদুনা মখোয়গীদমক চীঞ্জাক ৱাৎতনবা হোৎনবীয়ু। লৈত-লায়রবা হায়বসিদি অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তনি। থবক শুবা নোম্বা য়ারিঙৈ মতমদা ফাওবা অদুম ৱানা চরা তাল্লিবনি। মখোয় হৌজিক মতম শাংনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লৈরকপনা চীঞ্জাক্কী অৱাবা শাথিনা মায়োক্লরে। মরম অদুনা মখোয় হিংনবগীদমক ময়ুম-ময়ুমদগী মপান থোরক্তুনা মখোয়গী হিংনবগী/চীঞ্জাক ফংনবগী পাম্বৈ থিরকপদা কোভিদ-১৯কী লাঙ্গেং মরকসিদা তোঙানবা মায়কৈ অমদা চৎখিবা য়াই। চানিংঙাই লৈরক্তবগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবদা মখোয়গী অৱাবদু কোক্লবা হেৎনবীয়ু অমদি মীয়াম্নসু কর্ফিয়ুনা মরম ওইদুনা মখোয়-মখোয়গী মনাক নকপদা লৈরিবা চীঞ্জাক্কী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওইশিংদা অঙন্বা মতেং পাংশিনমিন্নরসি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অমুকোনা ক্বাকৈথেলগী অশানবা য়ুমশিংদা লৈরিবা রিক্সো থৌরগা চরা তাঞ্জরিবা মীওইশিংদা আলু, তিলহৌ অমদি ফেস মাস্ককী মতেং পাংখিবগা লোয়ননা মখা তারকপদা অমুকোনা একতা পরিষদ, মণিপুরগা খুৎশম্নরগা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা হায়বদি অন্দ্রো, হুইকপ, কৈরাও, ৱাকা, তেল্লৌ চনা, ফয়েং, ময়াংলাংজিং, লোইতাং খুনৌ, কৈঙম, মহারাবি অমদি মোংজমদা লৈরিবা মশাগী পাট্টা অমদি লম লৈজদ্রবা য়ুম ২২০গী মীওইশিংদা আলু, তিলহৌ, ভিটামিন, মিনরেল, এস ও এস টেব্লেটস অমদি ফেস মাস্কনচিংবা মতেং পাংবগী থবক অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং অমদি একটা পরিষদ, মণিপুরগী এক্টিভিষ্ট সিনাম তানিয়া চনু অমসুং অরিবম ওংবী বিদ্যারানিনা লুচিংখি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

মণিপুরগী তাঙলবা নেরেটিভ আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা ৱারী লীবা আর্টপু য়োকখৎননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা দি ওল মণিপুর ৱারী লীবা এসোসিএসন এন্দ রিসার্চ সেন্টরগী ফাউন্দর মেম্বর ওইম্বদা নত্তনা শক্লাইরবা মণিপুরগী ৱারী লীবা উচিৱা ময়াই লৈকায়দগী ওজা নাওরেম বিরচন্দ্র মে ২৬তা লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৭৩ শুখ্রে। ওজা নাওরেম বিরচন্দ্র এ আই আর অমসুং দি দি কে ইম্ফালগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা মতম শাংনা ৱারী লীদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরম্মী। মহাক্লা লৈখিদবদা মণিপুরগী ৱারী লীবা আর্ট অসিগী মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইনা লৈহৌরগনি। ওজা নাওরেম বিরচন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ৱারী লীলা এসোসিএসন এন্দ রিসার্চ সেন্টর, খুরাই সোইবম লৈকায় ইম্ফালগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি দল্লিয়ু চিংলেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎলক্লিবসিগী অহোবশিং থিজিনবা চুমগনি : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):

হৌখিবা এপ্রিল থাদগী পীক্লবা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা শোকহল্লবা মশীং লেপ্পুনা হেনগৎলকপগী মথক্তা লাইচৎ অসিদগী শিবা মশীং ৱাংখৎলক্লিবসি লৈঙাক্কী করি করম্বা অহোবা চেকশিন থৌরাং খরদগীনো হায়বদু অথুবা খোঙথাংদা নোভেল কোরোনা ভাইরসকী মরমদা খঙ-হৈরবা অখন্নবা ভাইওরোলোজিষ্ট টিম অমনা থিজিনবা চুমগনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ষ্টেট লৈঙাক্ল সু মীচম মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা হৌখিবা মে ১দগী ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অনীদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা ফাওবা তমথিরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা মশীং লেপ্পুনা হেনগৎলকপদগী হৌখিবা মে ৭তগী কোভিদ-১৯ হোটস্পোট ওইরবনি চিংনবা দিষ্ট্রিক্ট ৭তা কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ু লাউথোকখি। অদুম ওইনমক অসিগুম্বা চেকশিন থৌরাং অসিনা লাইচৎ অসি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদবদগী হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অসিদা মখা তানা নুমীৎ ৭নি অমগা কর্ফিয়ু অমসুং কন্টেনমেন্ট জোন চৎনহনখি। অসিগুম্লবা মীপায়নিংঙাই ওইরবা ফীভম অমা উবা ফংলক্লিবসি লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্তবদগী মীচম মীয়ামদা মরাল থংজিনবা লানগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা পাক শন্না শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিগা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী থাদগী শন্দোরকখিবা অহানবা ৱেভতা থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী ভেরিয়ন্ট অদুগা চাউনা খেন্নবা লৈ হায়বসি মমিং লৈরবা ভাইওরোলোজিষ্ট কয়ানা হৌখিবা মার্চ থাদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা খঙহনখিবা লৈখি। হৌজিক থেংনরিবা কোভিদ-১৯ দব্বল ম্যুটেন্ট ভেরিয়ন্ট অনীনা নারবা অয়াম্বদি আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবদা অশেংবা রিজল্ট ফংবা ঙমদবদগী হায় রিজোল্যুসন কম্প্যুটেদ টোমোগ্রাফি (ঐচ সী টি)গী মতেংনা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনৈ হায়না কোলকাটাগী পিয়ারলেস হোস্পিটালগী ক্রিটিকেল ক্যেরগী স্পেসলিষ্ট ডা. অজয় সারকারনা হৌখিবা এপ্রিল ২১দা ফোঙদোকখিবা লৈখি। মহাক্কী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী দব্বল ম্যুটেন্টনা নারবা অয়াম্বদি মীওই অদুগী লংসকী শরুক চাদা ২৫ রোম শোকহল্লবা তুংদা শ্বর হোনবা ৱাবদগী হোস্পিটালদা পুখৎলকপনা মশীং য়াম্মী। মখোয়দা ওক্সিজেন মথৌ তাবা লৈবা হেল্লি। মরম অসিদগী ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা নারবা অয়াম্বা ওক্সিজেন শীজিন্নদবা য়াদবা ফীভম অমা উবা ফংলক্লিবসি মখোয়দা ষ্টেট অসিগী অখন্নবা ভাইওরোলোজিষ্টশিংগী টিম অমনা দব্বল ম্যুটেন্ট ভেরিয়ন্টস নৎত্রগা বি. ১.৬১.৭ ষ্ট্রেন অসি য়াওব্রা হায়বদু থিজিনহনবা চুমগনি। দব্বল ম্যুটেন্ট ভেরিয়ন্টনা নারবা মীওই অদুগী ইমুং হুপ্পা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশীং য়াম্মী হায়বসু ডা. অজয় সরকারনা ফোঙদোকখিবা লৈখি। মরম অসিদগী অসিগুম্বা দব্বল ম্যুটেন্ট ভেরিয়ন্ট অসি থেংননবা অখন্নবা কোভিদ ৱার্দকী আই সী য়ুদা থম্নবা হোৎনফম থোকই। হোম আইসোলেসন তৌরিবশিংসু অসিগুম্বা দব্বল ম্যুটেন্ট ভেরিয়ন্ট য়াওব্রা হায়বদু থিজিনবা চুমগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘অৱাং সেকমাই কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংবদা কনা অমত্তনা পোলিটিক্স তৌবীগনু’

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):

অৱাং সেকমাইদা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংবদা কনা অমত্তনা পোলিটিক্স তৌবীগনু হায়না মেনেজমেন্ট কম্মিটি ওফ কোভিদ-১৯ অৱাং সেকমাইগী কনভিনর এ রাজেশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভতা মীয়ামগী থৌগল তৌখিবা অদুগুম্বা অৱাং সেকমাই খুঙ্গংগী ওইবা মেনেজমেন্ট কম্মিটি ওফ কোভিদ-১৯ অৱাং সেকমাইনা ঙসিসু লায়না লাইচৎ অসিগী অনীশুবা ৱেভকা মরী লৈননা মীয়ামগী থৌগল তৌরি। কম্মিটি অসিনা কৌজেংলৈমা য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি কে ঐচ রাকেশ অমদি সেকমাই প্রোটেক্সন কম্মিটিগী সেক্রেটরি এল ধনা য়াওনা নিলাপদ্মা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর থম্ননবা ইলেক্ট্রিক ফিটিং তৌবা লৈরোই। লোয়ননা স্কুলসিদা লৈবা ওজা মরিবুসু সিফ্ট তৌহনখ্রবনি। মসিদসু নত্তনা কম্মিটি অসিনা অৱাং সেকমাই কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরগী এম ও ইন-চার্জ অমদি সেকমাইগী ও সীনচিংবা পাউ ফাওনদুনা হাংননবা হোৎনরিবসিদা ভলন্টিয়র অমত্তা থোকপীরক্তবদগী হাংবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরিবনি।

হন্দক সেকমাই এ সীগী এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোগী মীৎয়েং মখাদা অৱাং সেকমাই নিলাপদ্মা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা ভলন্টিয়রশিং থোক্লক্তবনা অৱাবা অমা ওইখি। মরম অদুনা নোংমত্তা ফাওবা মমিং তাদবা কনাগুম্বা অমনা খঙহৌদনা অৱাং সেকমাইদা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংদোক্তবনা অৱাবা অমা ওইরে হায়না ফোঙদোরকপদা অঙকপা অমা ফাওই। মরম অদুনা অৱাং সেকমাইনা সী ঐচ আই সী হাংবদা কনা অমত্তনা পোলিটিক্স তৌবীদনবা আপিল তৌজরি। লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিবু ঐখোয় খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নসি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মীওই ২৭০ কোভিদ টেষ্ট তৌবদা ৫৩ পোজিটিভ ওইরম্লে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নিঙোম্থঙমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং অকিবা ফংনা হেনগৎলক্লি হায়না লাইনিংথৌ সং-সং নিংথৌ সেবা কম্মিটিগী সেক্রেটরি এম লোকেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চাউরাক্লা য়ুম ৬০০ রোম লৈবা অপুম্বা মীশিং লিশিং ৩ লৈবা অপীকপা খুঙ্গং অসিদা থা অসিগী ২৪দগী ২৬ ফাওবা মীওই ২৭০ রোম কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৫৩ পোজিটিভ ওইরম্লে। মাঙজেন্না মীওই অমদি লায়না-লাইচৎ অসিনা লৈখিদ্রে। হৌজিক কম্মিটি অসিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সীগী অয়াবা লৌদুনা নিঙোম্থঙ জুনিয়র হায় স্কুলদা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংদুনা মীওই ৫৩ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি।

লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপা থিংনবা অমদি হৌজিক হৌজিক লায়কন্নরিবা অনাবশিংবু চাং নাইনা হিদাক পীজবা অমদি চেক-অপ তৌবীনবা ডোক্তর, নর্সশিং থাবীরক্লবা হায়রি। লোয়ননা চঙগদবা হিদাকলাংথক অমদি পোৎলমশিং অথুবদা পীরক্লবা মরী লৈনবা ওফিসশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক মপুগী পূব্লিক চিংশিল্লক্লি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা পীবা কোভিদ গাইদলাইনশিং ঙাক্তবা অমদি খুঙ্গংসিদা মীতোপ চঙলকপা খুনগী মীওইশিংনসু মরম লৈতনা কোয়চৎ চৎপা মীওইশিং লোগী মতেং লৌদুনা ফাইন থিহনবা অমদি চৈরাক পীননবা মরী লৈনবদা ৱাকৎকনি হায়রি।

‘আইসোলেসন সেন্টরশিংদা মেদিকেল ষ্টাফ অমদি খুৎশু-খুৎলায়শিং মতিক চানা থম্বা মথৌ তাই’

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):

হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি অকিবগী ফীভমদা লেপ্পুনা হেনগৎলক্লি। লাইচৎ অসি থেংননবগী লৌখৎলিবা এ সীশিংগী কম্যুনিটি আইসোলেসন সেন্টরশিং অমসুং অতোপ্পা আইসোলেসন সেন্টরশিংদা মথৌ তাবা ডোক্তর, নর্স, মেদিকেল ষ্টাফ অমদি খুৎশু-খুৎলায়শিং মতিক চানা থম্বা মথৌ তাই হায়না কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)কী সেক্রেটরি জেনরেল টি ঐচ সুরজ মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি থেংননবগী লৌখৎলকপা খোঙথাংদা মীয়ামগী মীহুৎ, লোকল ক্লব, এন জি ওশিং য়াওনা হাংদোক্লিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং অসি লায়না লাইচৎ অসিগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা অদুক্কী মতিক মরুওইবা মফম অমা ওইরক্লি। হায়রিবা সেন্টরশিং অসিদা ডোক্তর, নর্স, মেদিকেল ষ্টাফ মতিক চানা, মরাং কায়না লৈতবনা সেন্টর অসিবু চলাইবা অদুক্কী মতিক অৱাবা অমা ওইরি। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদা লায়না-লাইচৎ অসি অদুক্কী মতিক পাক শন্না শাফু কন্না শন্দোরকপনা মরম ওইরগা মণিপুরগী লৈরিবা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই হোস্পিটালশিংদা লায়েংফম লৈরক্তবদগী অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লরক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা সী ঐচ আই সীশিং অসি অদুক্কী মতিক মরুওইরক্লি। মরম অসিনা সেন্টরশিং অসিগী মথৌ তাবা খূদিংমক মতম চানা পায়খৎহৌদ্রবদি লাইচৎ অসি থিংবদা অমদি মখা তানা শন্দোক্তনবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা অমা ওইগনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি তশেংনা লানফম অমগী মওংদা থেংনদবা য়ারোই। লোকদাউন, কর্ফিয়ু লৈরিঙৈ মনুংদা মীয়ামগী নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংহনবা মথৌ তারি। মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নদুনা লায়না-লাইচৎ অসিবু লাঙ্গেংমিন্নসি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সেনিটাইজেসনগী থবক চথখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবগী পান্দমদা লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা ওইনাম রোমেনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা সেনিটাইজেসনগী থবক চথখ্রে হায়না ন্যু দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন শিংজমৈ (এন দি ও এস)কী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ভলন্টিয়র ২৫ রোম্না কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা সেনিটাইজেসনগী থবক অসি চথবনি। হীরমসিগা মরী লৈননা ওইনাম রোমেননা হায়খি, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিদগী মীয়ামগী পুন্সি কনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবনি। শিংজমৈ এ সীদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফননবা অমদি মখোয়গী হেল্থ ক্যেরগীদমক পাঙথোকপা য়াবা থবকশিং পাঙথোক্কনি। শিংজমৈ এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা সেনিটাইজেসনগী থবক চথরিবা অসি পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা নত্তে। মীয়াম্বু লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্ননবা লৈঙাক্লা কর্ফিয়ু থমখিবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি মনা-মশিং লৈবা ফংদবগী অৱাবা অসিগী য়েংলগা এ সী অসিদা মনা-মশিং য়াওনা কোভিদ-১৯ রিলিফ মেটরিএলশিং য়েন্থোকখ্রে হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

এম এল এ মিরাবাইনা পাৎশোই এ সীগী কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা ঙসি পাৎশোই এ সীগী কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) তাকয়েলদা লৈবা ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিংদা হাংদোকখ্রে।

সী ঐচ আই সী অদু হাংদোকখিবদা তাকয়েল জিলা পরিষদ মেম্বর এন জি বিমোলা, মেম্বর লাংলেন লৈমা, চিঙাঙ্গৈ জিলা পরিষদকী মেম্বর এস মারজিৎ, লাংজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম রোমেন, লমজাওতোংবা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ঈ সুশিলা, চঙাঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়টকী এল রোমা লৈমা, লাংজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ-প্রধান এস ভাঙ্গাই, সাপম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এ বিশ্বর্জিৎ অমসুং এস দি সী পাৎশোইসু শরুক য়াখি।

সেন্টর অদু হাংদোক্লদুনা এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না লাঙ্গেংনরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীনবগীদমক অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি। পাৎশোই এ সীগী ওইনা ঙসি হাংদোক্লিবা সী ঐচ আই সী অসিদা এ সী অসিদগী নর্স মরি, এম্বুলেন্স অমা, দ্রাইভর অনী, মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ অনী অঙন্বা রিন্যুমরেসন পীদুনা মথৌ তৌহল্লি। লোয়ননা এ সী অসিদগী ভলন্টিয়র কয়ানা কথোকপগা লোয়ননা সেন্টর অসিদা থবক তৌনবগীদমক শেম শারে। মসিদা মীয়াম্নসু অঙন্বা মতেং পাংবীয়ু।

এ সী অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী মরক্তা লায়না লাইচৎ অসিগী চৈথেং ফংদুনা পোজিটিভ ওইবা য়াওরক্লবা মতমদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবগী খুদোংচাদবা মীওইশিং আইসোলেসন তৌদুনা লৈনবগীদমক ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিংদা সেন্টর অসি হাংদোকপনি। সেন্টর অসিদা ফমুং ৭০ লৈগনি। সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক চান-থক্লবশিং লেম্না পীগনি।

কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভসু মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা মায় পাক্লা থেংনখি। অনীশুবা ৱেভ অসিসু মীয়ামগা লোয়ননা অঙন্বা থাক্তা থেংনগনি। এ সী অসিগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসি লাঙ্গেংননবগীদমক পাৎশোই এ সীগী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দসু হাংদোক্লে। মীয়াম্না মমাঙদা সপোর্ট তৌখিবগুম হৌজিকসু মীওই কয়ানা তেংবাঙ পীরক্লি। অসিগুম্বা ৱারবা মতম অসিদা লমদম অসিগী পুকচেল চাউরবা মীয়াম্না চোংথোক্তুনা মতেং পাংবীবা অসিগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা এস ও পি ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

‘মীয়াম কিনরে’

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

নোর্থ এ ও সীগী মিনুথোং রোদ অসিদা ফত্ত-হাওদি, অমোৎ-অকায় হুন্দোক্তুনা থম্বনা মরম ওইরগা য়াম্না মরুওইরিবা লন্মী অসিদা মীয়াম্না চৎপা কিনরে হায়না কেক্রুপাৎ মিনুথোং দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (কে এম দি সী)গী প্রসিদেন্ট হজি গয়াসুদ্দিননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংননবা লৈঙাক্লা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা কন্না হোৎনরি। অদুবু মীয়ামগী মরক্তগী ৱাখল তাদবা কয়া য়াওদুনা ময়ুম-ময়ুমদগী অমোৎ-অকায়, অপুম-অশা কয়া লন্মী অসিদা হুন্দোক্তুনা থল্লি। মসি মমাঙদসু কয়ারক হন্না তৌবীদনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিকসু ফত্তবা থবকশিং অসি চথবা লেপত্রি। মখা তানা অসিগুম্বা মফম অসিদা মীয়াম্না ফত্ত-হাওদি, অপুম-অশাশিং লংথোকপগী থবক অসি তৌবীগনু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

ম্যান্মারদগী চঙলকখিবা মীরৈবাক মচাশিংগী মশীং লৈঙাক্লা মীয়ামদা লাউথোক্কদবনি : এম পি পি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):

ম্যান্মারদগী মণিপুরদা চঙলকখিবা মীরৈবাক মচাশিংগী মশীং লৈঙাক্লা মীয়ামদা লাউথোক্কদবনি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১দগী ম্যান্মারদা ওং সান সুচিগী লৈঙাক মুথৎলগা মিলিটরি জুন্তাগী লৈঙাক অমা থল্লকখি। ওং সান সুচিবু শৌগৎপশিংনা মিলিটরি জুন্তা লৈঙাকপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লেপ্পুনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। মিলিটরি জুন্তানা নেসনল লীগ ফোর দিমোক্রেসিগী লুচিংবা কয়া, শৌগৎপশিং য়াওনা মীওই কয়া হাৎখ্রে। মীওই কয়া অমনা ফাজিন্দুনা জেলদা থল্লি। কয়া অমনা অশোক-অপন নংখ্রবা মতুংদা ম্যান্মার লিশিং কয়া অমনা মণিপুর, মিজোরাম অমদি য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা শৈদাংফম লৌদুনা লৈরি। ম্যান্মারগা য়ুম্লোন্নরিবা মণিপুরগী ঙমখৈদা লৈরিবা উখুল, চান্দেল, তেংনৌপল, চুড়াচান্দপুর, ফেরজোল, তমেংলোং, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা ম্যান্মার নেসনল কয়া চঙশিল্লকখ্রবগে হায়বদু দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী দি সীশিং অমদি এস পিশিংদগী রিপোর্ট লৌখৎলগা মণিপুর মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। মণিপুরদা চঙশিল্লক্লবা ম্যান্মার নেসনল পুম্নমকপু মশীং খঙদোক্লগা লৈঙাক্লা মখোয়গী মথৌ তাবা তেংবাঙ পীবীদুনা মফম চানা থম্বীরগা ম্যান্মারগী ঈৱাং হেক লোইবগা মখোয়গী মরৈবাক ম্যান্মারদা অমুক হলহনখিনবা থবক পায়খৎপীয়ু। কোভিদ-১৯গী অৱাবসি মালেমগী লৈবাক খূদিংমক্লা মায়োক্লরি। অদুবু মণিপুর ষ্টেট অসিদা মীরৈবাক মচাগী ৱাথোক চহী লিশাং শিৎনা থেংনদুনা লাক্লি। চৈরক অসিদা চেকশিনহৌদবা মতমদা লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী তুংগী মীরোলদা হায়নিংঙাই লৈতনা অচৌবা চৈথেং কয়া মায়োক্লরক্কনি। মিজোরামগী পুলিস দিপার্টমেন্টনা পীবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মখোয়গী ষ্টেটতা ম্যান্মার নেসনল ৬৫০০ রোম চঙলকখিবগী ৱাফম থল্লি।

মণিপুরদা মীরৈবাক মচাশিংগী ৱাথোক লোইশিনবা ঙমদ্রিঙৈদা ম্যান্মার নেসনল কয়া চঙশিন্দুনা লৈখিবা হায়বসি য়েলহৌমীশিংনা তুংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরক্কনি। য়েলহৌমীশিংগী য়েংলগা মণিপুর লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা অথুবা মতমদা ষ্টেট অসিদা মতিক চাবা থবক লৌখৎননবা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।